# মেরি কোমবু রিও ওলেম্পিক্সকী ৱাইল্ড কার্দ এন্ত্রি পীবদা আই ও সিনা য়াখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ২৩ ঃ

ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট মেরি কোমবু রিও ওলেম্পিক্কী ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি পীবিনবা হায়জখিবা অদু ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না য়াখিদবদগী ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা ফংলরোই।

মেরি কোমবু ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি পীবদা আই ও সিনা য়াখিদবগী পাউ অদু আইবাগী এদ-হোক কম্মিটিগী চিয়ারমেন কিশেন নারসিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কনফার্ম তৌখি।

আই ও সিগী খ্বাইদগী নৌবা রুলিং মখাদা ট্রাইপাটাইটকী মফম অসি হৌখিবা ওলেম্পিক্স অনী লন্দন ২০১২ অমদি বৈজিং ২০০৮ দা লৈবাক অদুগী য়ামদ্রবদা শরুক য়াখিবা নিপান্দগী তাবা য়াদবা হায়না লৈরি। মসিদা বোক্সরশিং, কোচশিং অমদি সপ্পোর্ট ষ্টাফ য়াওরি।

মেরি কোমনা হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌখিবদগী ওলেমিপক্কী টিকেট ফংবা ঙমখিদবনি।

মমাঙদা নারসিনা ওফিসিএল্লি ওইনা ট্রাইপাটাইট কম্মিসন ইনভিটেসন প্লেসকীদমক অয়াবা পীবীনবা আইবাদা অইবা চেরোল পীশিনখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট শিভা থাপা (কেজি ৫৬) না এসিয়ন ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টকী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবদগী অহানবা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবা ঙস্বা ইন্দিয়ন বোক্সর ওইখিবনি।



মহাক্কী ৱেথ কেটাগোরিদা টোপ সীদিং পীখিবা শিভানা কাজখষ্টান্দা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট অদুগী সেমী ফাইনেলদা কুমজা ২০১৩ গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট কাইরাট য়েবালিয়েভপু মায়থীবা পীরমদুনা রিওগীদমক টিকেট ফংখিবনি।

মশাগী চহী ২২ শুরবা ইন্দিয়ন অসিনা মলটিস্পোর্টিং এক্সত্রাভগেঞ্জা অসিদা ক্বালিফাই ওইবা খ্বাইদগী নহা ওইবা ইন্দিয়ন বোক্সর ওইরি।

ঐবু ওলেম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবগীদমক ঈশ্বরবু ঐনা থাগৎপা পাম্মী। ঐনা বাউট অদুগীদমক অকনবা মওংদা হোৎনখি। মদু ঐগী খ্বাইদগী মরু ওইবা বাউট ওইখি। ঐহাক্না বাউট অদু মায় পাকখিবদা ইশাদা লৈরম্বা তপথদবা অমদি লাংতক্লবা অদু ঈংথবা ঙমখি হায়না শিভা থাপানা রিও গেমসকী ক্বালিফাইদ ওইখিবা পুংজাদা ফোঙদোকপা লৈখিবনি।

# অনিল কুম্বলেনা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইরগনি হায়না বি সি সি আইনা লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ২৩ ঃ

ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচকী ফম মতম শাংনা হাংদুনা লাকখিবা অদু মতম অমগী মশক নাইরবা ইন্দিয়াগী বোলর অনিল কুম্বলেনা ওইরগনি হায়না ঙসি বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) গী প্রসিদেন্ট অনুরাগ থাকুরনা লাউথোকখ্রে।

হিমাচল প্রদেশকী ধরমসলাদা ফমখিবা বি সি সি আইগী বোর্দ ৱার্কিং কম্মিটিগী মীফম অদুদা বি সি সি আইগী প্রসিদেন্ট অনুরাগ থাকুরনা অনিল কুম্বলেবু ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

অনিল কুম্বলেনা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইনা চহী অমগী থৌ পুগনি। মতম অমগী মশক নাইরবা ক্রিকেটর অনিল কুম্বলে মশামক অফাওবা ক্রিকেটর অমদগী অফাওবা কোচ অমগী রোল লৌরগনি। মসিগীদমক বি সি সি আইনা খুদক্তগী হৌনা মহাকপু ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচ ওইননবা খনখিবনি হায়না অনুরাগ থাকুরনা মখা তাখি।

অনুরাগ থাকুরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ফোরেন কোচ খনবগী মহুত্তা ইন্দিয়ন ওইনা খল্লিবা করিগীনো হায়বা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না হায়, ৱাফম অসি ফোরেন কোচ নৎত্রগা ইন্দিয়ন কোচকী ৱাফম নত্তে। মসিদি ইন্দিয়া ক্রিকেট টিমগী ফননবগীদমক অফবা কোচ অমা খনবনি। ইন্দিয়া মচা নৎত্রগা ফোরেন কোচ অমনা টিম অসি পায়বদা করিসু অকায়বা লৈতে। অফবা মীশক অদুদা ঐখোয়না খনবনি।



ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী হেদ কোচকী ফম অসিগীদমক বি সি সি আইনা এদভর্টাইজ তৌখিবদা তোঙান তোঙানবা মীওই ৫৭ না কোচ ওইননবগীদমক চে পীশিল্লকখি। হায়রিবা এপ্লিকান্ট ৫৭ অদুগী মনুংদা ২১ মখোয়গী কোচিংগী কেরিয়র অমদি তোঙান তোঙানবা লম কয়া য়েংলবা মতুং কোচ ওইবা য়ারবা মতিক চারবা মীওই অসি খনগৎখিবনি।

হায়রিবা মীওই ২১ অসি বি সি সি আইগী মীওই অহুম সচিন টেন্দুলকর, সৌরব গঙ্গুলি অমসুং ভি ভি এস লক্ষমননা শেম্বা এদভাইজরি কম্মিটিনা তোঙান তোঙানবা মীওই ২১ অদুগী ইন্টরভিয়ু লৌদুনা মতিক চারবা মীওই খনগৎখি।

এদভাইজরি কম্মিটিনা ইন্টরভিয়ু অদুগী ৱারোলশিং বি সি সি আইগী প্রসিদেন্ট অনুরাগ থাকুরদা পীশিনখিবনি। ইন্দিয়ন টিমগী হেদ কোচ ওইননবগীদমক মতম অমগী ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ক্রিকেটর প্রবিন অমে, রবি শাষ্ট্রি, লালচান্দ রাজপুর, ভেঙ্কটেজ প্রসাদনচিংবা শক্লাইরবা মীওই কয়া য়াওখিবনি।

# গগন নরং অমসুং অভিনাব বিন্দ্র শুটিং ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেলদা মায়থীহৌবদগী মেদল ফংহৌদ্রে



বাকু, জুন ২৩ ঃমফম অসিদা চৎথরিবা আই এস এস এফ শুটিং ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী এস শুটর অভিনাব বিন্দ্র, গগন নরং অমসুং কৈনান চেন্নাই মখোয় অহুম ফাইনেলদা চি লাউনা মায়থীখিবদগী মেদল ফংহৌদ্রে।

ওলেম্পিক অহুল্লক শরুক য়াখ্রবা শুটর অভিনাব বিন্দ্রনা বাকুদা চৎথরিবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ অসিগী ফাইনেল রাউন্দ চঙননবগীদমক মহাক্না য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্সশিং পীদুনা স্কোর ৱাংনা ফংদুনা ফাইনেল রাউন্দদা চঙলকখিবনি। চহী অসিগী ওইনা মফম অসিদা চৎথরিবা ফাইনেল ইন্টরনেসনেল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসন ৱর্ল্ড কপ ষ্টেজ (রাইফল/পিষ্টোল/সোটগন) অসিদা অভিনাব বিন্দ্রনা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা অমসুং মেদলগী অশা চাউনা লৈরম্বা শুটরশিংনা মেদল ফংহৌখিদবা অসিদা য়াম্না নীংবা কায়নখি।

অভিনাব বিন্দ্র ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিভিজুএল ওলেম্পিক গোল্ড মেদলিষ্টনি। অদুগা গগন নরংনা লন্দন ওলেম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্টনি। মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা শুটর নিপান্না ফাইনেল রাউন্দ চঙলকখি। মদুদা য়াম্না নহা ওইরি শুটর চেন্নাইনসু শুটর তরুক্না ফাইনেল রাউন্দ চঙলকখিবা অদুদা য়াওখি।

অভিনাব বিন্দ্র ৱর্ল্ড কপ অসিদা তরুকশুবা পোজিসন তাখি। মহাক্না ক্বালিফায়িংদা পোইন্ট ৬২৭.৪ স্কোর তৌদুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙলকখি। শুটর গগন নরংনা ফাইনেল রাউন্দ চঙনবগীদমক ক্বালিফায়িংদা পোইন্ট ৬২৬.৬ স্কোর তৌখি। অদুগা মহাক্না ফাইনেল ষ্টেন্দিংদা তরেৎশুবা পোজিশন তাখি।

চেন্নাইনা ক্বালিফায়িংদা পোইন্ট ১২৫ কী মনুংদা পোইন্ট ১২৩ লৌদুনা অনীশুবা মফম কন্দুনা ফাইনেলদা চঙলকখিবনি। ক্বালিফায়িংদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীখিবা চেন্নাইনা ফাইনেল রাউন্দদা য়াম্না ঙন্না মপান থোক্তুনা তরুকশুবা পোজিশন্দা লৈহৌখি।

চেন্নাইনা ত্রেপ ইভেন্টতা ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেল রাউন্দ চঙলকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবনি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শুটর চেন সিংহনা নুপাগী মিটর ১০০ গী এয়র রাইফলদা ২৫ শুবা পোজিশন তাহৌখি। পৃথিবী রাজ টোন্দাইমাননা নুপাগী ত্রেপ ইভেন্টতসু ২৫ শুবা পোজিশন তাখি। মহাক্না ক্বালিফায়িংদা পোইন্ট ১১৬ স্কোর তৌখি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা ট্রেপকী শুটর জোরাভর সিংহ সন্ধুনা ২৭ শুবা পোজিশন্দা লৈহৌখি।

নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলদা হিনা সিধুনা পোইন্ট ৩৭৯ স্কোর তৌদুনা ২৬ শুবা পোজিশন্দা লৈহৌখি। শ্বেটা সিংনা ৩৯ শুবা অদুগা ইভেন্ট অসিমক্তদা অনিশা সায়িদনা ৫৪ শুবা পোজিশন্দা লৈহৌখি।

# সব জুনিয়র নেসনল এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা স্বিম্মরশিং খনখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২৩ ঃ

থা অসিগী ২৯ দগী হৌরগা জুলাই ২ ফাওবা কর্ণাটাকাগী কোনুং বেঙ্গলোরগী বসাভাঙ্গুদিগী এক্বাটিক সেন্টর স্বিম্মিং পুলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৩ শুবা গ্লেন মার্ক সব জুনিয়র নেসনল এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা স্বিম্মর ১১ অমসুং দাইভর অনী য়াওনা পূন্না শান্নরোয় ১৩ অমদি ওফিসএল অহুম খনখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুর স্বিম্মিং এসোসিএশন্না খল্লবা নুপাগী স্বিম্মর অদুদি সি এ সিদগী এস অথৌবা, এম জি এম সিদগী মহানন্দ থোকচোম অমসুং হিরেন শগোলশেমনি। অদুগা কে কে দি এদগী কে এস ঐচ মালেমঙানবা অমসুং আর কে রোবার্টনি।

নুপীগী স্বিম্মীং ইভেন্টতা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খেদগী য়াইফবী থৌদাম, এম জি এম সিদগী এল জেসিকা, সি এ সিদগী দিকালু, টি ঐচ পানমৈ, ঈ এস য়ুদগী সি ঐচ মেরিনা, সি এস সিদগী এল মতিলদা অমসুং রিতু হাওবিজমনি।

দাইভিং মশান্নদা খল্লবা নুপাগী দাইভর অনী অদুদি কে ৱাই ওদগী ও প্রেমানন্দনা মিটর ১ গী স্প্রিং বোর্দতা অদুগা এম জি এম সিদগী এল বোজেন্দ্রোসু মিটর ১ গী স্প্রিং বোর্দতা খনখ্রে।

মণিপুর এক্বাটিক টিম অসিগী স্বিম্মিংগী কোচনা এন দেবেশ্বরনি। দাইভিংগী কোচনা কে ঐচ বিজান্দো অদুগা টিম মেনেজরনা টি ঐচ লোকেন্দ্রো খনখ্রে।

মণিপুর স্বিম্মিং টিম বেঙ্গলোরগীদমক থা অসিগী ২৫ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না মণিপুর স্বিম্মিং এসোসিএশনগী সেক্রেটরি এম লোকেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# টেনিস প্লেয়র ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কা মখুউ শোকপদগী ৱিমব্লেদন্দা য়াওররোই



লন্দন, জুন ২৩ ঃ ৱর্ল্ডনম্বর ৱান ওইরম্বা মমিং লৈরবা টেনিস প্লেয়র ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কা মহাক্কী মখুউ শোকপদগী ৱিমব্লেন্দদা শরুক য়াররোই হায়না শিল্লি লাংলিবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

বেলারুসিয়ন অজারেঙ্কানা মমাঙ তাদা পাঙথোকখিবা ফ্রেঞ্চ ওপনগী অহানবা রাউন্দগী মেচতা মহাক্কী মখুৎ শোকখিবদগী শান্নবা লেপ্পুনা লৈরকখিবনি। ফ্রেঞ্চ ওপনগী অহানবা রাউন্দদা মখুউ শোকপদগী পোত্থাদুনা ফগৎপা ঙাইরিবী ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কানা মলেমগী খ্বাইদগী চাউরবা ৱিমব্লেদন্দা শরুক য়াবা ফংলরোই খনবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

# রিও ওলেম্পিক্সকী টেবল টেনিস মশান্নদা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী মায় পাকপগী খুদোংচাবা লৈ ঃ সোময়াজিৎ ঘোশ

ন্যু দেল্লি, জুন ২৩ ঃ

ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী টেবল টেনিস শান্নরোয়শিংনা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদৌরি।

ইন্দিয়াগী টেবল টেনিস শান্নরোয় মরি অসিনা রিও ওলেম্পিক্সতা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় সোময়াজিৎ ঘোশনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রে।

সোময়াজিৎ ঘোশনা মখা তারদুনা হায়, লাক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী টেবল টেনিস শান্নরোয়শিংনা মায় পাকপগী খ্বাইদগী খুদোংচাবা অমা ওইগনি হায়খি। সোময়াজিৎ ঘোশতি হান্ননা রিও ওলেম্পিক্কীদমক টিকেট ফংখ্রবনি। অতোপ্পা শান্নরোয় অহুম অদুদি সরাথ কমল, মৌমাদাস অমসুং মনিকা বত্রনি।



হায়রিবা শান্নরোয় মরি অসিনা হৌখিবা এপ্রিল থাদা হোংকোংদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ক্বালিফায়রদা মখোয় মখোয়গী ওপোনেন্টশিংবু মায়থীবা পীরমদুনা রিওগীদমক কোটা ফংখিবনি। মশাগী চহী ১৯ শুরকপদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়নশিপশিংদা শরুক য়ারকখিবা সোময়াজিৎ ঘোশ কুমজা ২০১২ কী লন্দন ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখ্রবা শান্নরোয়নি। হন্দক্কী অসিনা সোময়াজিৎ ঘোশকী অনীরকশুবা ওইনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবা ওইগদৌরি।

টেবল টেনিস মশান্নদা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী নহা ওইবা ইন্টরনেসনেল প্লেয়র ওইরিবা সোময়াজিৎ ঘোশনা হন্দক্কী রিও ওলেম্পিক্স অসিদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা ফোঙদোকখি।

রিও দি জানৈরোদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক্স অসিদা শরুক য়াবা হায়বসি মহাক্কী মঙলাননি। অদুবু হৌজিক্তি মঙলান অসি মঙফাওনরবনিনা লৈবাক অসিগীদমক অঙন্বা থাক্তা হোৎনদুনা মেদল লৌনবা হোৎনগনি।

টেবল টেনিস ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়ানা শান্নরোয়শিংগীদমক অঙকপা ফংনা হোৎনবিবদগী লাক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা টেবল টেনিস শান্নরোয় মরিনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াবা ফংগদৌরিবনি হায়না সিলিগুরিদগী সোময়াজিৎ ঘোশনা হায়খি।







Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com